

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা দোপ্পিংগা মরী লৈননা থা ১২ গী অথিংবা থমখ্রবা মশাগী চহী ২৯ শুরবা অফগনিষ্টানগী ৱিকেট কিপর মোহমদ সাহজাদ*

*চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ (ই) গী মেটচ অমদা রুশিয়াগী ক্লব স্পার্টাক মোস্কোবু পাঞ্জল ৭–০ দা মায়থিবা পীবদা হেটট্রিক্কী পাঞ্জল চনখিবা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লিভরপুলগী শান্নরোই ব্রাজিল মচা ফিলিপ কোটিনহো*

## আর্জেন্টিনানা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেলগী সেমি ফাইনেলদা য়ুম্বু ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনরগনি



*আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা ইংলেন্দগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লুরবা মতুং হরাওবা ফোঙদোক্কুনা চেহ্নোরকপা*

*ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ০৭ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা উরিষা ষ্টেটকী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১ দগী চথরকপা মেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেলগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা আর্জেন্টিনানা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবদগী য়ুম্বু ইন্দিয়াগা ফাইনেল য়ৌনবা লম্বা তৌনরগনি।

মেটচ অদুগী মিনট ১৫ গী অহানবা ক্বার্টর অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা মশান্না উৎনরত্তুনা শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু আর্জেন্টিনাগী লুকাস ভিলানা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা চনখি।

পাঞ্জল অদুগী মতুং অনীশুবা ক্বার্টর অদুগী লোইশিল্লকপা মিনটতা অতোপ্পা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই কেপ্টেনসু ওইরিবা মাটিয়াস পারিদিসনা ফিল্ড গোল অমগা হাপচিল্লগা ইংলেন্দবু মখোয়না ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

থংনবা মিনটতা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী দেবিদ কোন্দোননা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা মেটচকী অনীশুবা অদু লোইশিল্লকপদা আর্জেন্টিনানা ২–১ দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা আর্জেন্টিনাগী এটেক অমদা ইংলেন্দগী দিফেন্দরশিংগী ফাউলনা মরম ওইরগা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা আর্জেন্টিনানা ফংখি। খুদোংচাবা অদু জোৱান গিলার্দিনা পাঞ্জল ওন্থোক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু মখোয়না ইংলেন্দবু ৩–১ দা হেন্দুনা লৈখি।

পাঞ্জল অনী শোত্থরবা ইংলেন্দনা মেটচকী মখা তানা শান্নরকপদা অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনরত্তুনা পাঞ্জল হন্দাক্লবা লাক্লরকখি। শান্নবগী অরোইবা ক্বার্টরগী মিনট ১৫ অদু লোইশিল্লকপগী তাঞ্জা য়ৌরবা ফাওবদা স্কোর বোর্দতা অহোংবা লৈখিদে। অদুবু অরোইবা মিনটতা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অদাম দিক্সননা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা মেটচ অদু আর্জেন্টিনানা মখোয়বু ৩–২ দা থোইরগা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবদগী ঙরাং বেলজিয়মবু পেনাল্টি সুট আওটনা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা য়ুম্বু ইন্দিয়াগা মেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেল অসিগী ফাইনেল য়ৌননবগীদমক লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা জর্মনিনা নেদরলেন্দসপু পেনাল্টি সুট আওটতা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগা থেংনগদৌরি।

মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা জর্মনিগী মেয়রনা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা নেদরলেন্দস প্রুজর অমসুং কেলরমান্ননা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা জর্মনিগী ফুক্স অমসুং ষ্টেবনা পাঞ্জল অনী চল্লগা ৩–২ দা মাঙজিল থাখিবা অদু অরোইবা মিনটতা প্রুজরনা ইক্বেলাইজর চন্দুনা ৩–৩ দা লৈনখিবদগী পেনাল্টি সুট আওটতা লম্বা য়েংনখি।

পেনাল্টি সুট আওট অদুদা মায়কৈ অনীদগী সোট ৫ / ৫ গী খুদোংচাবা ফংখি। অহানবা সোট অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে। জর্মনিগী মখা তাবা সোট ৪ পাঞ্জল ওইখি। অদুগা নেদরলেন্দসকীনা ৩ ওইখিবদগী ৪–৩ দা জর্মনিনা থোইখি।

## চেন্নাইন সিটি এফসিনা এটলেটিকো দি কোলকতা পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা টেবলগী মকোক্তা অদুম্মক লৈবা ঙন্নি

*চেন্নাই, দিসেম্বর ০৭ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি চেন্নাই সিটিদা লৈবা জৱাহরলা নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ য়ুম্বু চেন্নাইন সিটি এফসিনা এটলেটিকো দি কোলকতাবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা টেবলগী মকোক্তা অদুম্মক লেঙদনা লৈবা ঙন্নি।

ঙসি চেন্নাইনা য়ুম্বু ওইরগা চেন্নাইন সিটি এফসি অমসুং এটলেটিকো দি কোলকতানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া তৌদুনা শান্নবা ঙম্নখ্রবসু মখোয়–মখোয়গী দিফেন্দরশিংনা গোল এরিয়াশিং অদু নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা লৈখিবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপগী মিনট ১৫ রোম চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিন্নবা ঙম্নখিদে। শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা চেন্নাইন সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুদা মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়ারিবা জেজে লালপেখুলুৱানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এটলেটিকো দি কোলকতাবু ১–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থরবা এটলেটিকো দি কোলকতাগী শান্নরোইশিংনা ইক্বেলাইজর ফংনবা চত্থরকখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা জে ক্বিনহানা পাঞ্জল অমা হন্দোক্কুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা লৈনখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং মখা তানা টিম অনীনা শান্নরকপদা ৮৪শুবা মিনটতা চেন্নাইন সিটি এফসিগী মায়কৈদগী ইনিগো জাপাটেরিয়া কালদেরোমনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা এটলেটিকো দি কোলকতাবু ২–১ দা অমুক্কা হন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা এটলেটিকো দি কোলকতাগী শান্নরোইশিংগী মায়কৈদগী চত্থরকখিবা এটেক অমদা জাজি কুকিনা শোত্থরম্বা পাঞ্জল অমা অদু হন্দোক্কুনা ২–২ দা মান্নহনবা ঙমখি।

অদুবু মেটচকী অরোইবা মিনটতা চেন্নাইন সিটি এফসিগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা জেজে লালপেখুলুৱানা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদু এটলেটিকো দি কোলকতাবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটনোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ৪ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৯ ফংদুনা মকোক থোংদুনা লৈবা ঙন্নি।

ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা ৪শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসি অমসুং বেঙ্গালুরু এফসি লম্বা তৌনরগনি।



*চেন্নাইন সিটি এফসিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনখিবা জেজে লালপেখুলুৱানা এটিকে গী শান্নরোই ২ লাম্থোক্কুনা বোল পুরকপা*

## য়ুক্রেনগী ক্লব সাখটর দোনেটস্কনা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটি মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*খার্কিভ, দিসেম্বর ০৭ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ সিজনগী গ্রুপ (এফ) গী ৬শুবা অমদি অরোইবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা য়ুক্রেনগী ক্লব সাখটর দোনেটস্ক ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পোইন্ট টেবল লুচিংলিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটি মেটচ অসি শান্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুনামেন্ট অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি। অমরোমদা য়ুক্রেনগী ক্লব সাখটর দোনেটস্কী ওইনদি মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ অমা ওইখি।

মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং সাখটর দোনেটস্কনা শান্নখিবা গ্রুপ (এফ) কী ৬শুবা অমদি অরোইবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুগী শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ২০ লোইশিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি।

শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা য়ুক্রেনগী ক্লব সাখটর দোনেটস্কী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই বর্নাদনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা সাখটর দোনেটস্কী শান্নরোইশিংনা মখা তানা শান্নরকখিবা মেটচকী মতম অদুদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌরকখি। পাঞ্জল অমা শোত্থরবা ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা সাখটর দোনেটস্কী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ইসমেলি গোলকাভেস দোস সান্টোসনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ২–০ দা সাখটর দোনেটস্কনা হেন্দুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখ্রবসু শোত্থখিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দোকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না এটেক তৌদুনা শান্নরকখিবদগী অমনা অমগী মায়কৈদা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা মতম কুইনা লৈখি।

শান্নবগী অরোইবা মীৎকুপ্তা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অদুদা মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়ারিবা সর্জিও এগুইরোনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখিবদগী মেটচ অদু য়ুক্রেনগী ক্লব সাখটর দোনেটস্কনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ (ই) গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অরোইবা লীগ রাউন্দগী মেটচতা স্লোভেনিয়াগী ক্লব মারিবোর অমদি স্পেনগী ক্লব সিভিলা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা অরোইবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা রুশিয়াগী ক্লব স্পার্টাক মোস্কোবু পাঞ্জল ৭–০ দা মায়থিবা পীখিবদগী স্পেনগী সিভিলা গ্রুপ অসিদা পোইন্ট ৯ ফংলগা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। করিগুম্বা রুশিয়াগী ক্লব স্পার্টাক মোস্কোনা মেটচ অদু মায় পাক্লম্বা তারবদি স্পেনগী সিভিলা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী আশা লৈরম্মোইদবনি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ (জি) গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা পোর্টুগালগী ক্লব পোর্টোনা ফ্রান্সকী ক্লব মোনাকোবু পাঞ্জল ৫–২ দা মায়থিবা পীদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পোর্টোগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী ৯ অমসুং ৩৩শুবা মিনটতা অবোবাকারনা পাঞ্জল অনী, শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা ব্রাহিমিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মোনাকোবু ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী ৬১শুবা মিনটতা মোনাকোনা ফংখিবা পেনাল্টি অমগী মতেংনা গ্লিকনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা শোত্থখিবা পাঞ্জল ৩ গী মনুংদা অমা হন্দাকপা ঙমখি। অদুবু শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা পোর্টোগী শান্নরোই এলেক্স টেল্লিসনা পাঞ্জল অমা অমুক হাপচিনবা ঙমখি।

মখা তানা টিম অনীনা শান্নরকপদা মোনাকোগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা অমুক হন্দাকপা ঙমখি। অদুবু শান্নবগী ৮৮শুবা মিনটতা পোর্টোগী শান্নরোই সোরেসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু পোর্টুগালগী ক্লব পোর্টোনা ফ্রান্সকী ক্লব মোনাকোবু পাঞ্জল ৫–২ দা মায়থিবা পীদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ (ঐচ) কী ৬শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অনীদা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পর্স অমসুং স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদ মায় পাকপা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরর্স অমসুং স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদ মাঙজৌননা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি।



*সাখটর দোনেটস্ক অমসুং মেঞ্চেষ্টর সিটিনা শান্নখিবা মেটচতা শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা*



*রিয়েল মাদ্রিদকী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং টিমমেটকা হরাওমিন্নবা*

## এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী কেপ্টেন গগন নারংনা ওইগদৌরি



*দিল্লি, দিসেম্বর ০৭ঃ*

হয়েংদগী থা অসিগী ১১ ফাওবদা জপানগী ৱাকো সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০শুবা এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী মিটর ১০ গী রাইফল অমসুং পিস্তোল ইভেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর ৩৭ কী টিম অদুগী লুচিংবা ওলিম্পিক্স ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রবা গগন নারংনা ওইরগনি।

ইন্দিয়াগী সুট্টিং টিম অসিদা জুনিয়র য়ুথ অমসুং সেনিয়র সুট্টরশিং য়াওগদৌরি। জপানগী ৱাকো সিটিদা লৈবা আসাকা সুট্টিং রেঞ্জদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ১০শুবা সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা পুন্না এসিয়াগী লৈবাক ২৭ তগী সুট্টর ৪০৭ নুমিৎ মরিনি চুপ্পা লম্বা তৌনগদৌরি। সুট্টিং রেঞ্জ অসি কুমজা ২০২০ দা জপাননা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা সুট্টিং কম্পিটিসন পাঙথোকফম ওইগদৌরিবনি।

হয়েং অহৌবা নুমিৎতা নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল, নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল অমসুং জুনিয়র মেন্স কেটেগোরি অদুসু য়াওরগা লম্বা তৌনগদৌরি।

পনবা য়াই টুর্নামেন্ট অসি মথংগী চহীদা আর্জেন্টিনাগী কোনুং বিনোস আইরেজদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুথ ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অমা ওইগদৌরিবনি।

এসিয়াদগী য়ুথ ওলিম্পিক্সকীদমক্তা সুট্টর ১৪ গী কোটা লৈরি। মদুগীদমক্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী জপানগী ৱাকো সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০শুবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা সুট্টর ১৩ দা য়ুথ ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফাই ওইননবা হোৎনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী সুট্টিং টিম অসিনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা কম্মনৱেল্থ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবনি। পনবা য়াই হিনা সিধুনা গোল্ড ফংখি। লোয়ননা নুপাগী এয়র পিস্তোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর ৩ সাঝর রিজবি, ওমকার সিংহ অমসুং জিতু রায়না গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ৩ মক ফংখি।

য়ুথ ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইননবা ইন্দিয়াগী য়ুথ সুট্টিরগী মনুংদা আর্জুন সিংহ সিমা, সৌরব চৌধুরি অমসুং সুরিন্দর সিংহনা লুচিংগদৌরি।

নুপাগী এয়র রাইফলদা মোহিট কুমার অগনিহোত্রি, সিক্সান গুপ্ত, রিদে হজারিকা অমসুং টুসার মানেনা মকোক ওইনবা হোৎনদুনা য়ুথ ওলিম্পিক্সকী কোটা ফংনবা লম্বা তৌগদৌরিবনি।

নুপীগী য়ুথকী মিটর ১০ গী এয়র পিস্তোলদা য়ুথ ওলিম্পিক্সকী কোটা ফংননা ইন্দিয়াগী সুট্টর মনু ভাকর, অনুস্কা পটিল অমসুং রাঘব প্রিয়ানা কন্না হোৎনগনি। অমরোমদা নুপীগী য়ুথ টিমগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী স্রিয়া অগরৱাল, কাবী রক্সানা চক্রবতি অমসুং মেহুলি ঘোসনা আর্জেটিনাগী কোনুং বিনোস আইরেজদা মথংচীদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুথ ওলিম্পিক্সতা ক্বালিফাই ওইননবা অতোপ্পা এসিয়াগী সুট্টরশিংগা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা কম্মনৱেল্থ অমদি এসিয়াগী থাক্তা পাঙথোকপা তোঙান–তোঙানবা ইভেন্টশিংদা গোল্ড মেডল কয়া লৌদুনা অমদি রেকোর্দ কয়া থম্বা ঙমখ্রবনি।